নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

রিজাইন তৌখ্রবা গভর্নর ভি কে দুগ্গল স্টেটকী থাক্তা ফেয়ার ৱেল পীবগী থৌরমদা চিফ মিনিস্টর লেংয়ান ফি খুদোল তম্বা

আইএলপি দিমান্দদা নোংমগী ওইবা সার্ভিস লেপ্তুনা য়ুকে রোদতা চেল্লিবা ওটোশিংনা রেল্লি অমগা লোইননা ইম্ফাল তম্না হায়গৎলকপদা পুলিসনা শামুশঙদা থিংবা

শর্মিলা থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা সকলনা শিন্দুনা চৎখিবা রেল্লি পুলিসনা থিংবা

১৯ শুবা চহি, ইশু ৮০ www.naharolgithoudang.com ইম্ফাল, আগষ্ট ৩০, ২০১৪ ইং, লাংবন ৪ নি পানবা থাংজ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP 408 মমল লুপা ৩.০০

অতেনবা পাউ

পরিক্ষা হায়দোক্লে

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি ই সেকেন্দ সেমিষ্টর একজামিনেসন ২০১৪গী ফল লাওথোকখ্রে। পুন্না মহৈরোই ১৪৯ থাবদা ৬১ পাস তৌরে। পাস তৌবগী পার্সেন্টেজনা চাদা ৪০.৯৩ নি। পরিক্ষাগী রিজল্ড পেজ ৪ দা য়েংবীয়ু।

ব্রার্কসোপ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: মণিপুর চেম্বর ওফ ফোরেন ত্রেক এন্দ ইনদষ্ট্রি (মেকফি)না মণিপুর অপদেট মেদিয়া গ্রুপকা খুৎশম্ন দুনা "মণিপুর ইন ইন্দিয়া লুক ইষ্ট পোলিসি" হায়বসিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ব্রার্কসোপ অমা আগষ্ট ৩০ দগী ৩১ ফাওবা নোর্থ এ ও সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোক্কনি। ব্রার্কসোপ অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, মীতৈ কাউন্সিল মোরে, ডাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ ফোরেন ত্রেদ, কষ্টম দিপার্টমেন্ট এক্সপোর্ট ইম্পোর্ট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি অমসুং ইন্দিয়ান চেম্বরস ওফ কম্মর্সসকী স্পিকর তরেৎনা কন্দক তৌগনি। হায়রিবা ব্রার্কসোপ অসিদা শরুক য়ানিংবা লনাই মীওইশিং অমসুং ইন্টরপ্রেনরশিংসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

নহারোল থৌদাংগী টেলিফোন য়াদ্রে

টিদিম লম্বী পাকথোক চাওথোকপগী পোষ্ট ফুকপদা নহারোল থৌদাং পাউ চে অসিগী টেলিফোন নম্বর ২৪৪০৩৫৩ অমসুং ২৪৪৯০৮৬ অনিমক য়াওখিবদগী য়াদ্রে। মরম অদুনা পাউ-চে অসিদা কনাগুম্বশিংনা ঈ-পাউ পীবিরকপা অমসুং গ্যাস নিউজকা মরী লৈননা পাউ পীবিরকপা মতমদা ৮২৫৭৯৮৮০৭৩ দা ওইনা কন্টেক্ট তৌবীয়ু। - মেনেজর

GAS

Khongnang Gas, Bishnupur
Bk. 1-6-14.......306
V.F. 21-5-14
Delivery time 7 am to 10 am

Canchi Indane Service
Bk. 10-6-14.......306
V.F.3-6-14
Delivery time 7.30 am to 10 am

Manipur Gas
Bk. 23-5-14.......612
V.F. 14-5-14
Delivery time 7.30 am to 10.30 am

K&K Gas
Bk. 25-6-14.......306
V.F. 23-6-14
Delivery time 7 am to 10 am

Khoriphaba Nambon
Bk. 25-3-14.......306
V.F. 22-3-14

Misao Gas
Bk. 14-6-14.......612
V.F. 2-6-14

Athokpam Indane Service
Bk. 1-7-14.......612
V.F. 23-6-14
Delivery time 6.30 am to 10 am

Maibai Gas, Moirang
Bk. 9-6-14.......306
V.F. 3-6-14
Delivery time 7 am to 11 am

Porompat Gas, Porompat
Bk. 19-6-14.......360
Sl. No. 188140
V.F. 4-6-14
Delivery time 7.30 am to 10.30 am

Jemon Gas, Chingamathak
Bk. 2-6-14.......800
V.F. 7-5-14
Delivery time 6.30 am to 9.30 am

Imphal LPG
Bk. 23-6-14.......600
V.F. 12-6-14
Sl. No. 10421

ইন্দিয়াগী পৈশাদা মীতৈ ময়েক য়াওহন্দবগী মরম সিআইআইএলগী রিপোর্টনা ওইরম্লে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল আগষ্ট ২৯ঃ মণিপুরী লোলনা ৮ শুবা সেদ্যুলদা চল্লবসু মীতৈ ময়েক্না ইন্দিয়ান করেন্সিদা য়াওদবগী মরম করিগীনো হায়না হংনবগা লোইননা মণিপুরগী মীয়ামদা খোইরাং খোইশাওনবা ফাওহল্লিবা অসিগী অচৌবা মরম অমা লৈরম্লে। হায়রিবা মরম অদুদি মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিপার্টমেন্ট, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজেস, দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এড়ুকেসন মানাসাগাগোত্রি, হুনসুর রোদ, মেহশুরনা ভারত সরকারদা পীবা য়াম্না শাথিবা রিপোর্ট অমনা ওইরম্লে হায়না পাউ-চে অসিনা ফংবা অৱাংবা থাক্কী পাউগী সোর্স অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবদি, মণিপুরী লোলগা নোংমখক্তদা ভারতকী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনমিন্নখিবা কোনকানি অমসুং নেপালি ময়েক্না ইন্দিয়ান করেন্সি নোটতা য়াওবা ঙম্লগা মণিপুর সরকারনা অশেংবা মীতৈ ময়েকনি হায়না এপ্রুভ তৌখ্রবা ময়েক ২৭ না করিগীদমক্তা ইন্দিয়ান করেন্সি নোটতা য়াওবা ঙমদ্রিবনো হায়বা ৱাফমসিনি।

হন্দক মণিপুরী লোলনা ভারতকী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী ২৩ শুবা নীংশিং থৌরম কয়া পাঙথোকপা মতমদা পীখিবা এক্সপার্টশিংগী তোঙান তোঙানবা ৱাফমদা মীতৈ ময়েক্না ইন্দিয়ান করেন্সিদা য়াওদবগী ৱাফম কয়া থমনখি। ৱাফমদুনা মরম ওইরগা লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামগী থম্মোইদসু খোইরাং খোইশাওনখি। চয়েৎনবা কয়া থোরক্লবগী মচাক ওইহনখি।

ওইরক্লিবা ৱাথোকসিগা মরী লৈননা "নহারোলগী থৌদাং"না মখা তানা কুপ্না থিজিল্লুবদা ফংলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি, ইন্দিয়ান গভর্নমেন্টকী মখাদা লৈবা লোলগী অমত্তা ঙাইরবা নোদেল এজেন্সি অমা ওইরিবা "সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজেস (সি আই আই এল), দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এড়ুকেসন, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা মতমদুগী ডাইরেক্টর ওইখিবা প্রো: উদায়া নরায়ানা সিংহনা হৌখিবা ২০০৯ গী এপ্রিল ১৪ দা ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট , দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এড়ুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি (লেঙ্গোইজ) ওইরিবা ডা: অনিতা ভাটনাগর- জেইন দা অখন্নবা চিঠি অমা ইখি। হায়রিবা চিঠি অদুগী সবজেক্টতা Queries on UNESCO and Endangered Languages in India; Reg. (হায়বদি ইন্দিয়াগী শিথরক্লবা লোলগী মতাংদা য়ুনেস্কোনা পীবা রিপোর্ট হায়বসিনি।

হায়রিবা চিঠি অসিগী মনুংদা য়াওবা ৱারোল অমগী ১০ শুবা পন দুপতা পল্লিবদি, ভারতকী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রবা য়েলহৌমীশিং লোলগা, লৈরিবা মাগী মাগী ময়েকশিংগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে। অদুগা ইনিদয়াগী আইটি সেদ্যুলগী প্রোভিজনদা ময়েক্কী মতাং য়াওদে হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী আইটি সেদ্যুলদা চল্লবা লোল ২২ গী মনুংদা ময়েক ৮ খক্তমক ওফিসিয়েল ওইনা শীজিন্নে। মসিগী মনুংদা ময়েক খর অমদি মাংখিবা অমসুং শীজিন্নদবা কয়া অমসু লৈরি। খরা অমনা শীজিন্নরগা লৈরি।

মখোয়শিং অদুদি, (১) বঙ্গালি/ অসামি/ মণিপুরী (২) দেভনাগরিদা (হিন্দি, বোদো, দোগ্রি, কোনকানি, মরাথি, মাইথিলি, নেপালি অমসুং সংস্কৃট), (৩) দা পরসো অরাবিক বেজ স্ক্রিপ তা নাসখ অমসুং নাসতা'লিক্ষ হায়রিবশিং অসি উর্দু অমদি কাশ্মিরিশিং য়াওনা সিন্ধিশিংগা খরা য়েৎনবা লৈরগসু ময়েকশিং অসি শীজিন্নরি। (৪) গুরমুখিদা সাহ-মুখিদা বেস তৌবা পুরো অরাবিক্কী ময়েকশিং পঞ্জাবীশিংনা শীজিন্নরি। (৫) গুজরাটি, (৬) ওরিয়া, (৭) টামিল, (৮) তেলুগু, (৯) কন্নাডা, (১০) মলায়ালম, (১১) ওল- চিকি (সানতলি) না মখোয় মখোয়গী ময়েকশিং শীজিন্নরি। (১২) সারধা স্ক্রিপ অমসুং মাইথিলি, (১৩) তিরাহুতা হায়রিবা ময়েকসিমদি হৌজিক হৌজিক শীজিন্নদ্রে। *(মখা লা:৪দা)*

রিমসকী ডাইরেক্টরগী কাগী ছো থুগায়দুনা ডাইরেক্টর অরুনকুমার মথৌ তৌবা হৌখ্রে

সেখরজিৎনা থারকখিবা রিট পিটিসন কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৯ : হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী মাইকৈদগী রিমসকী ডাইরেক্টর সেখরজিৎ মফম লৌথোক্লগা ডা: অরুনকুমারবু খুদক্তগী ডাইরেক্টর ওইনা থৌ পুনবা থারকখিবা ওর্দর অদুবু শিংনদুনা ডা: সেখরজিৎনা লোনশিল্লম্বা রিমসকী ডাইরেক্টরগী কা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা ছো থুগায়দুনা হাংদোক্লগা ডাইরেক্টর অরুন চংদুনা মথৌ তৌবা তৌখ্রে।

হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিগী মাইকৈদগী ডা: সেখরজিৎনা লোনশিল্লম্লিবা ওফিস অদু থুগায়দুনা ডাইরেক্টর অরুন মথৌ তৌবা হৌনবা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়াওনা ছো অদু থুগায়খিবনি। সেখরজিৎনা ছো লোনশিল্লম্লিবা অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা কম্মিটিগী প্রোসিদিং মতুংইন্না নম্ফুন্দা ঙসি ছো থুগায়খিবা অদুদা কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা ডাইরেক্টর প্রো: সিঐচ অরুনকুমার মশা য়াওনা হোস্পিতাল অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম অমুবা, দিল প্রো: কৌশিক দেবনাথ, দিপ্যুটি ডাইরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন) ৱাই রাজেন্দ্র, সি এ ও / এফ এ দেবেন্দ্র মীতৈ, মণিপুর হায় কোর্টকী এদভোকেট এ বিমোল, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস দি সি এল গিটচন্দ্র অমসুং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী টিম অমা য়াওখি। *(মখা লা:৪দা)*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ রিমসকী হান্নগী ডাইরেক্টর প্রো: এস সেখরজিৎনা মহাকপু লৌথোকপগী ওর্দর অদু ককথৎপীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থারকখিবা রিট পিটিসনগী হিয়ারিং কোর্ট অসিমক্কী জষ্টিস এন কোটিশ্বরগী কোর্টতা ঙরাং হিয়ারিং চথখ্রে। লোইননা প্রো: এস সেখরজিৎনা থারকপা রিট পিটিসন অদু মরম চাদে হায়না রিজেক্ট তৌখ্রে।

হিয়ারিং অদুদা প্রো: এস সেখরজিৎকী কাউন্সেলনা সেখরজিৎ ডাইরেক্টর ফমদগী লৌথোকখিবা অদু মরম চাদে হায়না পীখিবা আর্গুমেন্টশিং অদুগী মায়োক্তা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মাইকৈদগী পীখিবা সমিসনদা ডাইরেক্টর সেখরজিৎ অমসুং রিমসকী টিচরস এন্দ মেদিকেল প্রোফেসার এসোসিয়েসন অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা রিমসতা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া চথখি হায়না তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেলদা ৱাকৎলকপা কয়া লৈরি। মসিগী মথক্তা পিটিস্নর সেখরজিৎ মশামকসু ক্রিমিনেল কেস অমা য়াওনা রিমসকী ফন্দ লান্না শীজিন্নবগা মরী লৈননা সি বি আই না ইনক্কারি চথরিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসি থিগৎনবা অমসুং ডাইরেক্টর ফমগী মতাংদা য়েৎনরিবা কয়া অসি মপুং ফানা থিদোক্লবা সেখরজিৎ ডাইরেক্টর ফমদগী লৌথোকপা য়াওনা মহাক্কী মথক্তা ইনক্কারি চথফম থোকই। *(মখা লা:৪দা)*

হ্যুমেন রাইটস চাটরস, কম্মিসন অমসুং কোর্ট শেমদুনা থবক তৌবতনা লৈবাকশিংগী মরক্তা শান্তি থম্বা ঙমগনি

-এনজি নোংয়াই

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ সাউঠ এসিয়াগী মনুংদা লৈবা সার্ক লৈবাকশিংনা ত্রীটি অমগী মখাদা হ্যুমেন রাইটস চার্টরস, হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমসুং হ্যুমেন রাইটস কোর্ট শেমদুনা থবক তৌবতনা লৈবাকশিংগী মরক্তা শান্তি, চাওখৎপা, তেংবাংনবা অমসুং ঙাক-শেল হেঙ্গৎলক্কনি হায়না হৌখিবা অগষ্ট ২৬ অমসুং ২৭ তা নিয়ু দিল্লিদা লৈবা হোটেল অশোক্কাদা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন রাইটস মেকানিজমগী ৱার্ক সোপ অমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ফোর্মর মেম্বর ঙাংবম নোংয়াইনা হায়খ্রে।

এসিয়ান ফোর্ম ফোর হ্যুমেন রাইটস অমসুং ৱার্কিং গ্রুপ ওন হ্যুমেন রাইটস ইন ইন্দিয়া এন্দ দা য়ুনাইটেদ নেসন অনিনা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন রাইটস মেকানিজমগী ৱার্ক সোপ অদুদা শরুক য়ারদুনা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ফোর্মর মেম্বর নোংয়াইনা মখা তানা হায়, সার্ক লৈবাক খরদা মরুওইনা অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান, ইন্দিয়াদদি খুৎলাইগী মুক্লবা লৈরি। অদুগা অফগানিষ্টান, পাকিষ্টান, বঙ্গলাদেস অমসুং নেপালদদি গনাতন্ত্রগী তংদু লৈতাবা দরকার ওইরি। লোয়নন হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা মাইগ্রেসন, লাইরবা, লায়না-তিন্না, মহৈ-মশিং, ঙমখৈগী য়েৎনবা, ঈশিং অমসুং মহৌশাগী পোথোক য়েন্নবগী, মপুং ওইনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী মহৈমশিংসু মায়োক্নরি। মরম অদুনা ত্রীটি অসিগী মখাদা হ্যুমেন রাইটসকী লৈফম থোকপা মচৎ-মওংশিং লৈহন্দুনা চাওখৎপা শান্তি অমসুং ঙাক-শেল হেঙ্গৎনবা হোৎনমিন্নবা তাই।

সাউঠ এসিয়াগী মনুংদা লৈরিবা সার্ক লৈবাকশিং অসিদা হ্যুমেন রাইটসকী ইহৌ অমা শেমগৎপসু দরকার ওই হায়রদুনা এদভোকেট নোংয়াইনা মখা তানা হায়, টাস্কেল অমসুং সিমলা এগ্রীমেন্টকী মতুংদা ইনিদয়া অমসুং পাকিষ্টানগী ঙমখৈদা নোংমৈ কাপ্নবনা হকথেংননা নত্রগা নাকোইননা খা-এসিয়াগী মীপাইহনবা থৌদোক কয়া থোকহল্লি। মসিগুম্বা মীয়ামবু লৈতাহন্দ্রিবা থৌদোকশিং অসি তশেংনা লাইবক থিবনি। মরম অসিনা মসিগুম্বা লাইবক থিরবা থৌদোকশিং অসি চখদনবা লৈবাকশিং অসিগী দিপ্লোমেটিক লেভেলদা হোৎনগদবনি।

নিংশিংবা য়াই, ভরতকী স্টেট ২২ দগী লাকপা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর-৮৫, য়ুনাইটেদ নেসন ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎ কাংবু অমদি সাউঠ এসিয়া এসোসিয়েসন ফোর রিজনেল কো-ওপরেসনগী ফোরেন দেলীগেট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নিনিগী ৱার্কসোপ অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ফোর্মর মেম্বর এনজি নোংয়াইসু মণিপুরদগী শরুক য়াখিবনি।

খবর য়েনবা লেপকদবনি

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: নম্বোল এরিয়াদা টিদিম রোদ নিউজ পেপরস দিষ্ট্রিব্যুটরস এসোসিয়েসনগী অয়াবা য়াওদনা হন্দক্তা নৌনা মীওই খরনা এসোসিয়েসনগী হোকরশিংগী এরিয়াদা পোক্লফম, সঙাই এক্সপ্রেস, নহারোল থৌদাং অমসুং হুইয়েন লানপাউ য়েনবা থেংনরে। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা এসোসিয়েসনগী অয়াবা য়াওদনা খুদক্তা খবর য়েনবা লেপকদবনি হায়বনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি। মখা তানা হায়রিবনা করিগুম্বা অনৌবা মীওইশিংনা এসোসিয়েসন অসিনা কোল্লিবা জগাশিংদা খবর য়েন্নিংলবদি এসোসিয়েসনদা মীং চংদুনা অয়াবা লৌগদবনি। মসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বনা খবর য়েল্লম্বা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্য পুম্বা এসোসিয়েসন অসিনা লৌরোই হায়না টিদিম রোদ নিউজ পেপর দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী চেকশিন ৱারোল থল্লিক্লি।

'সু' এগ্রিমেন্ট চহী ১ শাংদোকপদা য়াখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: ঙসি ফমখিবা মণিপুর সরকারগী কেবিনেট মীফমনা থা অসিগী ২১দা লোইখ্রবা কুকি লালহৌলুপশিংগী অপুনবা বোদি ওইরিবা য়ুপিএ অমসুং কে এন এফকী মরক্তা ইনিদয়া গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর সরকারগা চৎনরিবা 'সু' চহী অমা শাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

মীফম অসিদা মতাংদা মণিপুর সরকারগী ৱাঙাংলোই মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খিবদা, ভারত সরকার, মণিপুর অমসুং কুকি লালহৌলুপশিংগী মরক্তা চৎখিরিবা ত্রাইপরটাইট এগ্রিমেন্ট অসি মখা তানা চহী অমা শাংদোক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সনসু থা অসিগী ৩০ দা স্টেট সরকারদা খঙহল্লকখিবা লৈরে।

ঙসি কেবিনেট মীফম অদুনা মখা তানা সরকারগী থবক হাপ্পদা থল্লিবা অথিংবা কোমথোক্তুনা মণিপুরী হেল্ঠ ইন্সটিট্যুটশিংগী অৱাৎপা মেদিকেল ওফিসিয়েল (এমঐচএস গ্রেদ ফোর) কী পোষ্ট ৩৮৪ নৌনা ক্রিয়েট তৌবগা লোইননা হান্নদগী হাংদুনা লাক্লিবা পোষ্ট ১৯৫ পুন্না পোষ্ট ৫৭৯ রিক্রুইট তৌবদা অয়াবা পীখ্রে। মণিপুরগী মৈগী ফিভম ফগৎনবা রি-ষ্ট্রকচর এসেলরেটেদ পৱার দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্মস প্রোগ্রামগী পার্ট- এ অমসুং পার্ট বিগী মখাদা পৱার ফাইনান্স কো-ওপরেসনদগী মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদনা লোল লৌনবগীদমক *(মখা লা:৪দা)*

[illegible]

কম্বীরোলদা লৈগদৌরিবা রেলৱে সব ষ্টেসন হায়পৌ জাদোনংগী মমিংদা থোল্লগনি

-দিপ্যুটি সিএম

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: হায়পৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৮৩ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি হায়পৌ জাদোনং দেথ এনিভর্সরি কম্মিটিনা শিন্দুনা কৈশাম্পাৎতা লৈবা হায়পৌ জাদোনং পার্কতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না লুচিংদুনা ফ্রিদম ফাইটর অসিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোইননা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হায়খিবদা হায়পৌ জাদোনংনা লৈবাক্কীদমক কখোক্লম্বশিং অদু লৈবাক্কী কখোক্লম্বশিং অদু মীরোলনা নীংশিংফম থোকই। লুচিংবা অসিগী ফুট ৯ ৱাংবা মুর্ত্তি অমা লুপা লাক্ষ ৬০ চংনা শাবা লোইশিল্লক্লে। মথং চহীগী কুমওন থৌরমদদি মুর্ত্তি অসিদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বা ফংলগনি।

লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা টুপুলদগী ইম্ফাল ফাওবগী রেলৱে লাইন শেমগৎলিবা অসিদা হায়পৌ জাদোনংগী পোক্লফম কম্বীরোলদা লৈগদৌরিবা রেলৱে সব ষ্টেসন অসি হায়পৌ জাদোনংগী মমিংদা থোল্লগনি। মসিগীদমক কেবিনেটনা ৱারেপ অমসু লৌরে।

হায়পৌ জাদোনংগী চীং তম অনিগী মরক্তা নুংশি চান্নলা লৈমিন্ননবা লমদম অমা য়াম্না কন্না হোৎনরমখি। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসি লৈখিদবগী থৌরমদা জাতি খুদিংমক্কী ইচিন ইনাওশিংনা শরুক য়ামিন্নবা অসি নুংঙাইবা পোকই। ঐখোয় খুদিংমক মণিপুর থুগায়বা ৱাখল্লোন অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ইশা ইশাগী অমদি ফুরুপকীদমক খনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপিল তৌখি।

দিসিদেন্ট গ্রুপকী এমএলএশিংনা সিএম উন্নদুনা রি-সফলগী তকশিনখ্রে, পোজিটিভ রেস্পোন্স পীরকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, অগষ্ট ২৯ঃ দিসিদেন্ট গ্রুপকী এমএলএ ১৯ না ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা চিফ মিনিষ্টর উন্নদুনা অথুবদা রি-সফল তৌনবা তকশিনখ্রে। উন্নবা অদুদা চিফ মিনিষ্টরগী মাইকৈদগী পোজিটিভ রেস্পোন্স পীরকখিবগা লোইননা চিপ মিনিষ্টরনা এমএলএশিংগী মরক্তগী অপাম্বা এমএলএশিং খনগৎলগা মিনিষ্টর পীরকপদা অয়েৎপা অমত্তা পীরোই হায়বগী অইবা চেরোল অমা হয়েং এমএলএশিংনা চিফ মিনিষ্টরদা পীশিল্লগনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী সোর্স মতুংইন্নদি ঙসি অয়ুক মিনিষ্টর রি-সফল তৌগদবনি হায়না দাবী তৌরিবা পুন্না এমএলএ ২৭ দমক চিফ মিনিষ্টর উন্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক এমএলএ খরা আউট ষ্টেসন ওইবদগী এমএলএ ১৯খক্তমক্না চিফ মিনিষ্টর ইবোবী উন্নদুনা অথুবদা রি-সফল তৌনবা তকশিনখি হায়রি। চিফ মিনিষ্টরগী মাইকৈদগীসু অথুবদা রি-সফল তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

চিফ মিনিষ্টর উন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা এমএলএ খরগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকখিবদা, ঙসি উন্নখিবদু য়াম্না পোজিটিভ ওই। চিফ মিনিষ্টরগী মাইকৈদগী অথুবদা রি-সফল তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। এমএলএশিংগী মাইকৈদগী সিএম অমসুং দিপ্যুটি সিএম লৈহৌরগা অতৈদি রি-সফল তৌগদবনি হায়না তকশিনখি। চিফ মিনিষ্টরগী মাইকৈদগী রি-সফল তৌগদৌরিবা অসিদা এমএলএ খরনা অমুক মখোয় মিনিষ্টর ফংহৌদে হায়না ইরাং হৌরকপা/শাওনবা কয়া য়াওরবদি করি তৌগদগে হায়না হংখি। মদুদা এমএলএশিংগী মাইকৈদগী অদুগুম্বা অমত্তা লৈরোই। সিএমনা অপাম্বা এমএলশিং খনগৎতুনা মিনিষ্টর পীরকপদগা য়েৎনবা অমত্তা লৈরোই। অথুবদা রি-সফল তৌবিয়ু হায়না তকশিল্লমখি হায়রি।

চিফ মিনিষ্টরদগী থোরকখ্রবা মতুং লম্লাই কেন্দ্রগী এমএলএ বীরেনগী ক্বার্টরদা এমএলএশিং পুন্না ৱা খন্নখ্রে। লোইননা চিফ মিনিষ্টরনা দিসিদেন্টগ্রুপতা য়াওরিবা এমএলএশিংগী মরক্তগী খনগৎলগা মিনিষ্টর পীরকপদা য়েৎনবা অমত্তা লৈরোই হায়না পুন্না এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনদুনা হয়েং অয়ুক চিফ মিনিষ্টরদা পীশিল্লগনি হায়রি। অদুম ওইনমক চিফ মিনিষ্টরনা অথুবদা রি-সফল তৌদ্রবদি কংগ্রেস হায় কম্মান্দদা ৱাকৎলগনি হায়রি।

মণিপুরগী গভর্নর ফম থাদোকখ্রবা ভি কে দুগ্গল ষ্টেটনা বিদাই পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: মরিপুরগী গভর্নর ওইনা তেল্লবা মতম থা ৮ লোম থবক পুরম্বদগী গভর্নর ফম থাদোকখ্রবা বিনোদ কুমার (ভি কে) দুগল ঙসি ইম্ফালগী রাজভবন্দা ষ্টেট অসিনা বিদায় পীবগী থৌরম পাংথোকখ্রে। ঙসি নুমিদাং ৱাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবদা রাজভবনগী দরবার হোলদা শিল্লাংখিবা গভর্নর দুগলবু ষ্টেটনা হৌনবী মতুং ইন্না কায়নবা পীবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমদি মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, ষ্টেকী চিফ সেক্রেটরি পি সি লমকুংঙা, দি জি পি সয়িদ অহম্মদ অতৈ সিভিল ১সুং পুলিকী মরুওইবা ওফিসিএল শিংনা শরুক য়াখি। গভর্নমেন্ট স্পোন্সর মেদিয়া এজেন্সি ওইরিবা ইম্ফালগী দুরদর্সন ১দি এ আই আর অদুগা ষ্টেটকী দি আই পি আর নত্তনা অতৈ লন্নাই মেদিয়া হাওসকী পাউমী (মেদিয়া পার্সন) অমত্তা থৌরম অদু কভরেজ তৌহনখিদে হায়রি।

থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা দি আই পি আরগী খুখাংদা আউটগোইং ওইরবা গভর্নর দুগলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা, য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা ফিভম খরা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা থাক্তা লৈবাক অসিগী তা নত্তনা ভারতকী প্রজা অমা ওইনা সেবা তৌবা ঙমখিবা অসিমক মহাক্কী মফমদদি য়াম্না ইকায়খুম্নিংঙাই ১দি ইজৎকী ওইবা ৱাফম্নি হায়না ফোংদোরক্লি। শাংলবা চহি ৪০ মখায়মুক মহাক্না লৈবাক্কীদমক মপুং ফানা কখোকখিবা অদুবুসু গভর্নর ফমদগী পোথাখ্রবা দুগলনা নৌহৌননা নিংশিংলক্লি।

ষ্টেট অসিদা তেল্লবা মতম খরা থবক পাংথোক্লবা খুদোংচাবা ফংহনবাগীদমক ইন্দিয়া গভর্নমেন্টপু থাগৎপসু ফোংদোকখি। লমদম অসিগী লৈঙাক, পোলিটিকেল পাটিশিং ১দি মীয়াম্না মহাকপু নুংশিবিখিবা ১সু ইকায় খুম্নবা উৎপীখিবা অদুগীদমক ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মতুংদসু ষ্টেট অসি খ্বাইদগী ফবা মফম ওইরসনু হায়বগী মঙ্গল পীখি। ষ্টেট অসি পন্থুং য়ৌনা হেন্না চাওখৎপা লমদম ১ ওইরসনু হায়না দুগলনা মহাক্কী মীয়ামদা কায়নবা পীবগী চেরোল অদুনা মখা তানা থৌনিজবা ফোংদোক্লি।

পনবা য়াবদি সার্ভিসতগী পোথারবা গভর্নর দুগল মমাং চহিগী দিসেম্বর ২৩ দা মণিপুরগী গভর্নর ওইনা থবক পায়খিবনি। নহান ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ইনি দয়া অপুম্বগী পোলিসি অসিগী য়েংদুনা রিজান তৌবগী চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা ঙরাং অথেংবদা প্রসিদেন্টনা মহাক্কী রিজিক্লেসনগী চেরোলদু অয়াবা পীখিবনি। ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা ষ্টেটনা বিদায় পীবগী থৌরমদু শিনখিবনি। ঙসি বিদায় পীবগী থৌরম অদুদা দিল্লিদগী ইম্ফালদা থোকমিন্নরকখিবা নগালেন্দ ১সুং ত্রিপুরাগী অপুনবা গভর্নরগী চার্জ পুরিবা পদ্মভায়া বাল কৃষ্ণ (পি বি) আচার্য্যসু কর্সী কোল তৌবা ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

থবক্তগী পোত্থারবা ভি কে দুগল ষ্টেট খরগী গভর্নরশিং ফম থাদোক্লখিবা অদুদা পুরুশোত্তমগী মহুৎ শিন্দুনা অহেনবা চার্জ ওইনা মিজোরামগী *(মখা লা:৪দা)*

কাংচুপ রোদ শিঙ্খুংনা লাকপা ওটো রেল্লি পুলিসনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে

ইম্ফাল অগষ্ট ২৯: ঙসি অয়ুকপুং ৮ লোম তবদা কাংচুপ রোদ শিঙ্খুংনা ইন্নর লাইন পার্মিৎ সিষ্টেম চৎনহন্নবা দাবীগী খোংজং ওইনা লাকপা মাইকৈ অদোমদা চেনবা দিজল ওটোশিংগী অচৌবা রেল্লি ১ লমখাংদা পুলিসনা থিংদুনা চৎহনখিদ্রে হায়রি।

কাংচুপ রোদকী লাইরেনকবী, লমশাং, , লমদেং, ময়াংলাংজিং, ফুম্লৌ, লাংজিং, তাকয়েল খোংবাল, ইরোশেম্বা , লম্বোইখোংনাংখোং, শামুশং, নাওরেমথোং, উরিপোক, লম্ফেল নচিংবা চেনবা ওটোশিং অদু লমশাং বজারদা পুল্লপ পুল্লবা মতুং কাংচুপা রোদতা ইম্ফাল তম্না হায়গৎলকপদা লম্ফেল পুলিস ১দি কম্মান্দোগী টিম ২ না সিআরপিসিগী ধরা ১৪৪ চলাইরিবা মফমনি হায়দুনা শামুশং য়ৌদ্রিঙৌদা থিংখিবনি। মিনিট ২০ মুক পুলিসকা রেল্লি কাংবুগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ওটো কাংবুদু নিংবা কায়না হনখি। পুলিসনা থিংদুনা রেল্লি অদু চৎহনখিদ্রবসু মখা তানা লমদেং মখা লৈকাইদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা আই এল পি চৎনহন্নবা খোঙজং শৌগৎপা অমদি আই এল পি চৎনদ্রিবা ফাওবা শক্তাক চেয়াওদবা নন-মণিপুরীশিং গাড়ীদা তোংহন্দবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

অমরোমদা ঙসি নুমিদাং ইম্ফালগী শংঙাকফম এরিয়াদা ইন্নর লাইন পার্মিৎকী দাবী তকশিল্লদুনা ইমা-ইবেলশিংনা মৈরাগী খোংচৎ ১সু চৎখি। মদুদা পুলিসনা ইম্ফাল তম্না চংশিল্লক্তনবা থিংখি হায়রি।

হৱাদো লৈরাংদো

থবক তৌদবা মন্ত্রি লৌথোকনেয়ে চুম্রা?



ঐ খক্তা নত্তনা ইচা ইনাও ইসেনফাও থিকা তৌহল্লসিনি।

মনুংদাঃ আইএলপি দিমান্দদা মীয়ামগী পার্টিসিপেসন ৱাৎপা (এদিটোরিয়েল) লৈবাক্কী পাউ, মপানগী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস